থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# শা-ঙা-উচেক-মালেম অমদি মীওইবা



ঐখোয়না পূংকক চাউরকঙৈ মরাং কায়না উরম্বা উচেক কয়া ঙসিদি মশক উখিদরে। চরোয়না তে-তু খোংলখিদ্রে, ক্কাক্কা লানপাউ পুরকখিদ্রে। চোংনা চোংনা লাক্লম্বা চোংঙাদুসু লাকখিদ্রে। অদুবু, অঙকপনি মহৌশা! ই'না শাবা য়ুমদুগী শাইজিন-শায়াদা তাংলগা মকোন শা'না হিংলম্বা শেন্দাংদুদি ইগী য়ুমদু মাঙখ্রবসু শঙ্গু-শঙ্গু চাক্তাররি শুমাংসিদা ঙসিসু। ইপা-ইপু লৈখিদ্রবা ময়ামদুগী থৰায়না চেক্লা ওইনা ওল্লগা লাক্লিবনি খন্নবা লম-খুনু পূংবাসু লাক্লি মরক মরক্তা। নিংথম থাগী অয়ুক্তা অতিয়াদা পাইরম্বা তেনৰা শঙ্গু-শঙ্গুদি পাইখিদবা কুইরক্লে। চীংয়াগী পাৎতা চাক্তাবা উরোক্তুগী ৰারীসু তাখিদবা কুইরক্লে। মমা পোক্তবী' শৰে খাঙবা ঙমদদুনা শঙ্গু শঙ্গু পাইরকপা উচেক-লাংমৈশিংদগী নিজহৌবা মতু ময়াম তূশিল্লগা চেক্লা ওন্দুনা পাইখিবীদুবু নীংশিংদুনসু পাইরকখিদ্রে উচেক লাংমৈদোংসু।

ৰাহৈ খরসিনা ৰামাঙ য়ান' হৌদোকচরিবা পাউদমসি, পাবিরিবশিংগী পূক্লিংদসু ফাওবীরমগনি, অতৈগী নতে, শা-ঙা-উচেক-ৰায়াশিংগা মাঙলমচত্তা মীওইবগা লৈনরম্বা মরীদু ঙসি লাপথোক্লরকপা, লাপথোক্ল রকপই মথক্তা তাঙল-তাঙলবা ঙা-মখল, উচেক-মখল কয়া মলেমসিদই মূৎখিবা... মথং-মথং মূৎশিল্লক কাইনথংদা মীওইবা কৌবা জীবসিমক মূৎখিবা য়াবই অকিবা লৈরকপসিগী মতাংদা, কদোমদৈনো খঙদবা অপাইবা নুংশিৎ অমা পাইশিল্লকপগুম কোকসিদা ৰাখল অমা হুমজি ল্লকখি। মূৎখিদৌরে ৰাজদুনা সঙাই কনবই কেম্পেয়ন অমা চত্থরক্লিবা কুইরক্লে। সঙাই ফেষ্টিবেল, সঙাই ৰেষ্টোরেন্ট, সঙাই হোটেল, সঙাই হোস্পিটাল... অসিনচিংবা, মমিং পক্তুনা মিংথোনবসিসু সঙাই কনবা কৌবরা? সঙাই নুংশিবা চিংবরা? মসিমদি ঐ খঙদবনি তশেংনা। সঙাইবু ঙাক শেনবনা মথৌ থৌদাং ওইবদুসু সঙাই-শাগী তোংশাদু মথেল ওইনা লাংলগা চাক্লেন ওইনা পীজবা, পেন্না-হাউনা চাখিনি। শোয়রিবসি সিদনি। মণিপুরগী ষ্টেট-বার্দ 'নোংইন' কৌবী চেক্লাদুবু লৈরিবরা? ফোরেষ্ট-দিপার্টমেন্টনসু হায়'ঙল্লরোই, ঙসিগী মীরোল অসিনসু মশক ফাওবা খঙলরোই।

মালেমদা লৈরিবা অপূনবা কৈ মশীংগী চাদা হুম্ফুতরামঙাদি ইন্দিয়াদা লৈ, কৈগী খ্বাইদই খোয়দাজবা মফম ইন্দিয়ানি হায়দুনা 'কৈ'বু ইন্দিয়াগী 'নেসনল এনিমেল' কৌরিবনি। অরিবা ৰারী-লাইরিক অমদি তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী পুৰারীদা থেংনরকই - শা তানবা/শিকার/হর্ন্টিং হায়বা নিংথৌকোলগী মচা-মশুশিংগী অকন-অথৌগী থবক অমনি 'কৈ হাৎপা'। অচৌবা কৈ অমগী মপোপ কায়দবা মউন'দু ফক্লাংদা থেক্তুনা থম্বসি লেমজনীংঙাই মশকনি। করি অমুক হায়গনি - খ্বাইদই চাউবা লাই (মহাদেব) ফাওবনা অকনবা লাইনি হায়নবা কৈগী মউন অদুদা মাগী ফম্ফম ওইরম্মী। ইশম শম্না নেসনল এনিমেলদু হাৎলগা, খোক্তোক্লবা মউন'দু ফক্লাংদা থেন্দুনা থেৎলগা ষ্টেটস সিম্বোল ওইরম্বদু, কুমজা ১৯৭৩দা ইন্দিরা গান্ধী'না লৈঙাক মকোক ওইরকপদগী 'কৈ কনসি' হায়বা খোল্লাউ অমা শেন্নকখি। মতমদুদা ইন্দিয়াদা কৈ মশীং শুপ্পগী ২৬৮ খক লৈ পানরম্মী। মূৎখিবা তারে খন্দুনা মূৎহন্দনবা হোৎনরকপা কুমজা ২০০৬ ফাওবদা ১৪১১দগী হেন্না হেনগৎহনবা ঙমখিদে। মদুগী মতুংদতনি অকনবা 'সেব টাইগর কেম্পেয়ন' কনশিল্লকখিবা। কুমজা ২০১৪দা নরেন্দ্র মোদিনা লৈঙাক পায়রকপা মতমদু কৈ মশীং ২২২৬ শুরম্লে। কুমজা ২০১৯গী জুলাই ২৯দা 'কৈগী নুমিৎ' পাঙথোকপদুদা 'ওল ইন্দিয়া টাইগর ইষ্টিমেসন রিপোর্ট, ২০১৮' ফোঙদোকখি। রিপোর্টতুদা পল্লি - কুমজা ২০১৮ ফাওবদা ইন্দিয়াদা কৈগী মশীং ২৯৬৭ শুরে।

ইন্দিয়াগী 'কৈ-কনসি' কেম্পেয়ন চত্থখিবগুম চত্থদ্রবসু, মণিপুর লৈঙাক্লা সঙাই কন্নবা হোৎনরক্লিবা/লাউরক্লিবা ফনা কুইরে। চহী তরাগী মমাঙদা কয়াম লৈরম্বা হৌজিক্লা কয়া লৈরবা? চপ চাবা ইষ্টিমেসন রিপোর্ট অমত্তং সঙাই ফেষ্টিবেল ২০১৯ হৌদোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকপীরবদি ফদৌনি।

ইজরিবা পাউদম খরসি, সঙাই ফেষ্টিবেল নকশিল্লকপা, লৈবাক্কী ঈৰাং মরকসিদা ফেষ্টিবেল অসি থিংনি থিংলোই ঙাঙনরকপদুদা ফৈরেংনবা ৰাখলসিনা 'সঙাই' মাবু নীংশিংলক্তুনা ইরিবনি। সঙাই নীংশিংলকপদা, কৈ-নোংশা-শজি-শামু অতৈ ৰাইল্ড-লাইফ ময়াম নীংশিংলকপনি। ৰাইল্ড লাইফ নৎত্রগা ৰাইল্ড এনিমেল (লন্নক্কী শা) হায়বসি উমং-ৰামং-লমহাং তুহাংদা মনীং তম্না, মদোম-মরোমদোম মীওইবগী অকিবা য়াওদনা হিংজ রিবা শা-ঙা অমদি উচেক-ৰায়াশিং অদুবুনি। ৰাইল্ড-লাইফ-সর্ভে ওফ ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী নৌবা রিপোর্টকী মতুংইন্না ইন্দিয়াদা খোম থক্তুনা হিংবা শা (মেম্মেল) মখল ৪০০, উচেক মখল ১২০০, রেপটাইল মখল ৩৫০ অমদি তূমিৎ-কাঙ (ইন্সেক্ট) মখল ২৯,৭০,০০০ রোম লৈ হায়। অফ্রিকা অমদি অমাজোনগী উমংদা, সহারাগী মরুভুমিদা, অন্টার্টিক'কী লমদমদদি কয়া অমা লৈরমগনি? মদুতবু নৈনবা, থিজিন হুমজিন তৌরুবদুগী নুংঙাইবা-তোপ তোপ্পা পুন্সি মথেল অমা ওইবজাৎনি, সনা-লুপা-শেল-থুমনা পাদম ওনবা নুংঙাইবদু নত্তনা অতৈ অমা খন্দ্রবা মীওইবগী ৰাখলনদি লাম্লুদ্রবা। মীওইবনা খল্লি - মালেমসিদা মীওইবা কৌবা থৰায় পানবসিনা খ্বাইদই মরু ওইবনি, খ্বাইদই পূমথোই থোইবনি। অদুবু মসিমদি মখোয়না নোংমতসু নীংশিংদে - শা-ঙা-উচেক-ৰায়া-তূমিৎ-কাঙ ময়ামসিনা মীওইবগী পুন্সিবু হেন্না মশক থোকহল্লিবনি। শা-ঙা লৈরমদ্রবা, মী করম্না হিংলম্নি? তূমিৎ-কাঙ লৈরমদ্রবা, থৰায় পানবা অমত্তসু লৈরম্লোই।


থাজবীয়ু - ইন্সেক্ট হায়না খঙনবা তীল মখল পুম্নমকসি, মীওইবদা মাঙনবই মশক্তি হায়দুনা ঙসি লোইনা হাত্তোক্লবা, চহী অনী-অনীমখায় ফাওবই মনুংদা মালেমদগী থৰায় পানবা পুম্নমক মূৎখিগনি, মীওইবনা ইহান হান্না মূৎখিনি। অদুবু মীওইবা কৌবা জীব'সি মালেমসিদই মূথৎলবা, মালেম অসি অশং-অমান্না থল্লবা তাইবঙ, মহৌশাগী নীংথিজবা লৈকোল অমা ওইরমনি।

লৌশিং পুক্কে/খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# ভাসেক্টোমি তৌখ্রবা মতুংদা মীরোল্লকপা

ভাসেক্টোমি হায়বসি নুপাগী হকচাংদা য়াওবা ভাস দিফরেঞ্জ হায়রিবা টেষ্টিকলদগী স্পর্মবু য়ুরেথ্রাদা পুরক্লিবা ট্যুব অনী অসিবু ককপা নৎত্রগনা ব্লোক তৌদুনা থম্বগী সজি 'কেল প্রসিজর অমনি। স্পর্মনা সিমেনদা চঙখিদুনা মীরোল্লক্কদবা অদু প্রসিজর অসিনা থিংই।

ভাসেক্টোমি তৌখ্রবা মীওই অমদগী অদুম্মক স্পর্ম পুথোকপা ঙমই, অদুবু স্পর্ম অদু সিমেন য়ৌবা ঙমদনা হকচাংদা মথন্নতা চূপশিঞ্জখি। ভাসেক্টোমি হায়বসি য়াম্না ইফেক্টিব ওইবা মেইল বার্থ কন্ট্রোল মখল অমনি, অদুবু মসি তৌখ্রবা মতুংদসু মহাক্কী পার্টনর অদু মীরোল্লকপা য়াবগী ওইথোকপদি অদুম্মক লৈ। ভাসেক্টোমি তৌখ্রবা মতুংদা মীরোল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈরিবসি করিগীনো হায়বগী মতাংদা নৈনমিন্নসি।




বর্থ কন্ট্রোল শীজিন্নদনা য়ূম্বান-মরী থম্বগী থৌওং অসি ভাসেক্টোমী তৌখ্রবা মতুং য়ামদ্রবদা থা অহুম তৌদ্রবদি মীরোল্লকপগী ওইথোকপা অসি শুক্লে লৈতবগুম্বনি।

ভাসেক্টোমি তৌরবা মতুংদা দোক্টরনা সিমেনদা স্পর্ম য়াওবরা হায়না টেষ্ট তৌগনি। মীরোল্লকপগী খুদোংথীবা থোক্তনবগীদমক দোক্টরগী পাউতাক ফংদ্রিবা ফাওবদি য়ুম্বানবগী মরী থম্বা মতমদা কন্ট্রাসেপ্টিপ মেথদ অমা শীজিন্নগদবনি। করিগুম্বা ভাসেক্টোমি তৌখ্রবা মতুংদা য়াম্না থুনা কন্ট্রাসেপ্টিব শীজিন্নদনা য়ুম্বান-মরী থম্লুরবদি সিমেনদা স্পর্ম য়াওদুনা লৈরম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা নুপীগী এগকা ফর্টিলাইজ তৌখিদুনা মীরোলহল্লকপা য়াই।

ভাসেক্টোমি তৌখ্রবা মতুংদা মীরোল্লকপগী মরমশিং-

য়াম্না থুনা য়ূম্বান-মরী থম্বা: ভাসেক্টোমি তৌখ্রবা মতুংদা কন্ট্রাসেপ্টিপ শীজিন্নদনা য়াম্না থুনা য়ূম্বান-মরী থম্লুরবদি সর্জরি তৌখিবা মতুং থংনবা থা খরা অদুদা ভাসেক্টোমি ফেল ওইবা হায়বসি য়াম্না তোয়না থোকই। স্পর্মগী লাইফ সাইকল অসি থা অহুমলোম্লি। মসিনা তাক্লিবদি ভাসেক্টোমি তৌখ্রবা মতুং থা খরদি সিমেনদা স্পর্ম য়াওদুনা লৈবা ঙম্মী হায়বনি। থেংথরক্লগদি খুদোংচাদবা অসি থোকপগী চাং হন্থরকই।

মপুরোইবা ভাসেক্টোমি তৌখ্রবা নুপী ১০০০ গী মনুংদা নুপী ১-২ গুম্বদি চহী অমগী মনুংদা লৈরিঙৈদা মীরোল্লকই।

ভাসেক্টোমি প্রসিজর অদু মায় পাক্তবা: করিগুম্বা মতমদা ভাসেক্টোমি তৌবা মতমদা ভাস দিফরেঞ্জ অসি মপুঙ ফানা ব্লোক তৌবদবা য়াওই। অসুম তৌরবদি দোক্টরনা অতোপ্পা মেথদ অমা হোংলগা তৌনবা হায়রকপা য়াই।

রিকেনেলাইজেসন: ভাসেক্টোমি তৌখ্রবা মতুং চয়োল খরা, থা খরা নৎত্রগনা চহী খরগী মতুংদসু রিকেনেলাইজেসন হায়বা প্রোসেস অমা ওইনা ফেল ওইরকপা য়াই। ভাস দিফরেঞ্জ অদু অমুক হন্না চোংখৎলক্তুনা নৌনা অমুক শম্নরকপা য়াওই, থৌওং অসিবু রিকেনেলাইজেসন কৌই। অয়াম্বনা রিকেনেলাইজেসন অসি চয়োল ১২ গী মনুংদা থোক্কল্লী। চহী খরগী মতুংদা থৌওং অসি থোকপা ওইরগদি নুপা অদুগী পার্টনর অদু মীরোল্লক্ত্রিবা ফাওবদি ফেল ওইরে হায়বা খঙবা ঙমদে।

ষ্টদি কয়াগী মতুংইন্না ভাসেক্টোমি তৌখ্রবা মতুং কুইদ্রিঙৈদা মায় পাক্লক্তবগী চাং অসি চাদা ০.৩ দগীনা ৯ ফাওবা ওই। কুইরক্লগা মায় পাক্তবদি তোয়না থোক্কন্দে, চাদা ০.০৪ দগীনা ০.০৮ ফাওবগী চাংদা লৈ।

ভাসেক্টোমি তৌবা অয়াম্বনা হান্নগী ফিভমদা অমুক হঞ্জিলহনবা য়াই। ভাসেক্টোমি তৌখ্রবা নুপাশিংগী চাদা ৩ দগী ৬ ফাওবদি হান্নগী ফিভমদা অমুক হঞ্জিলহন্নে।

হান্নগী ফিভমদা অমুক হঞ্জিলহন্নবগী প্রসিজরশিংদি মখাদা পীরি:

- ভাসোভাসোষ্টোমি: প্রসিজর অসিদা তৌরিবা অসি ককথৎখ্রবা নৎত্রগনা ক্লিপ তৌদুনা থম্বা ভাস দিফরেঞ্জকী মচীল অনী অদু অমুক শমজিন্নহনবনি। অয়াম্বা মতমদা প্রসিজর অসি শীজিন্নৈ, মসি য়াম্না অৰুবা ওইদে অমদি মায় পাকপগী চাং ৰাংই।
- ভাসোইপিদিদমোষ্টোমি: মসি অল্টর্নেটিব প্রসিজর অমনি, মসিদা তৌরিবা অসিনা ভাস দিফরেঞ্জকী মচীল অমবু ইপিদিদমিসতা শমজিনবনি। ইপিদিদমিস হায়বসি টেসটিসতগী স্পর্ম ষ্টোর তৌদুনা থম্বা অমদি ট্রান্সপোর্ট তৌবা ট্যুবনি। মসিনা খরা অরুবা প্রসিজরনি অদুনা মায় পাকপগী চাংসু নেম্মী।

হান্নগী ফিভমদা অমুক লাকহন্নবগী প্রসিজর মায় পাক্তুনা মীরোনবা য়াহনবা হায়বসি ফেক্টর কয়াগী মখা পোল্লি, মখোয়শিং অদুদি সর্জন অদুগী এক্সপিরিয়ন্স অমদি স্কিল; মীওই অদুগী স্পর্ম কাউন্ট য়াম্বা; নুপা-নুপী অনীমক্কী মশা-মউ ফবগী চাং; য়ূম্বান-মরী থম্বগী মতম; নুপী অদুগী ফর্টাইলিটি অসিনচিংবশিংনি।

হান্নগী ফিভমদা অমুক হঞ্জিন্নবা হোৎনবা অদু অহানবা হোৎনবদা মায় পাক্ত্রবসু অনীরকশুবা ওইনা অমুক্কা তৌবা য়াই।

হান্নগী ফিভমদা অমুক হঞ্জিলহনবগী প্রসিজর অসিবু ভাসেক্টোমি রিভর্সেল কৌই। ভাসেক্টোমি রির্ভসেল তৌদ্রগসু স্পর্ম এস্পিরেসন অমসুং ইন ভাইট্রো ফর্টিলাইজেসন (আই ভি এফ) শীজিন্নদুনা মীরোলহল্লবসু য়াই। আই ভি এফ হায়বসি নুপীগী এগপু মহাক্কী হকচাংগী মপান্দা ফর্টিলাইজ তৌরবা মতুংদা ফর্টিলাইজ তৌরবা এগ অদু নুপী অদুগী য়ুটেরসতা অমুক ইমপ্লান্ট তৌদুনা নুপী অদু মীরোলহনবগী প্রসিজর অমনি।

মসি তৌনবগীদমক নুপা অদুদা স্পর্ম এস্পিরেসন প্রসিজর তৌগনি। মসিদা তৌগদৌরিবা অসিনা নুপা অদুগী টেস্টিস নৎত্রগনা ইপিদিদমিসতগী নিদল শীজিন্নদুনা স্পর্ম লৌবনি। অসুম্না তৌরবা মতুংদা আই ভি এফকী মতেংনা মহাক্কী নুপীদা মীরোলহনগনি।

# মীয়ামগী তংদু-লৈতাদবা কোকহনবীনবা নোংপোক চিংঙু অহল্লাকপা ইবুধৌদা থৌনিখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস) : হৌজিক ওইরক্লিবা মণিপুর মীয়ামগী তংদু-লৈতাদবা ফীভম অসি কোকহন্নবা নোংপোক চিংঙু অহল্লাকপা ইবুধৌদা থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে।

নোংপোক চীংঙু থোঙ থরে শিবী লোক, ইম্ফাল নোংপোক অমদি ইমা লৈশেম ইনাৎ লোয়শঙ, ৰাংখৈ হিজম লৈরক্লা শীন্দুনা পন্থৌ লাইকোল সেলোই লংমাই চীংদা মীয়াম্না ইৰাৎ থৌনি তৌদুনা লৈতাবা পুরক্লবা থৌনিখি।

থৌরম অদুদা লাইওইবা পন্থৌ ৰাংখৈগী পাউজেলদা হায়খি, লাই নিংবা অমা ওইনা মাংগী তুংগী খোঙ্গুল লীরিবা মৈতৈ সলাই তরেৎনি। ঙসি ফাওবদা অৰাবদা ওইরি। কুমজা ২০২০ ফাওবগী মনুংদদি ইনাৎ লাইনিং ময়েক শেংলসি। মণিপুর লমদমদা খুন্দামিন্নরিবা মীওইবা খুদিংমক ফুরুপ কাঙলুপ খায়দনা হিংমিন্নসি। মৈতৈ থৌদা ফম্বাল তোংদুনা ৰায়েল্লম্বা লমদমনি। লাইগী লমদমনি নীংশিংদুনা শৈদাংমিন্নরিবা ফুরুপচা পুম্নমক্লা লমদমসি ঙাকমিন্নসি। লাইনিংবা হায়বসি মৰৈবাক মরমদম নুংশিবা অমা ওইবনা লৈবাক নিকপা পামদে। লাইগী থৌগল নক্লা ফংগদৌরিবনি। থম্মোয় শেংদবা মীদি নকশিন্না থৌগল তৌবা কান্নদে। থম্মোয় শেংবা তম্মু। লাইনা চানবীবা মীগী মপোক্তি অথোইবনি হায়না পাউজেল পীখি।

ইমা লৈশেম ইনাৎ লোয়শঙগী সেক্রেটরি জেনরেল অহৈবম লাইরিক লৈমনা হায়খি, পন্থৌগী ওইবা পাউতাক লৌরবা তুংদা লৈবাক্কী ওইবা থৌনি থৌরম পাঙথোকপনি। মণিপুর মীয়ামদা লৈতাদবা অমা লাক্লিবসি সলাই তরেৎকী মৈতৈ ফুরুপনা হেন্না ৰারিবনি। মীপুম খুদিংদা ৰারিবা মচা ওইবশিং ৰাবদা মমা ওইবীশিংনা হেন্না ৰারি। মীয়ামগী অৰাবা কয়া অসি কোকহন্নবগীদমক নীজবা থৌরমনি। মীওইবা হায়বসি ৰারবা মতমদা লাইদা নীজবা হায়বসি চৎনদুনা লাকপনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তানা তারদুনা হায়খি, লমদম অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা তংদু-লৈতাদবা ফীভম অমদি মীয়ামদা থেংনরিবা কয়া অসি য়েংলগা ইবুধৌদা থৌনিবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। লাইনিং-লাইশোনগী থৌরম পাঙথোকপা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। ইমা লৈশেম ইনাৎ লোয়শঙগী থৌমী কয়াসু ঙসিগী থৌনিবগী থৌরম অসিদা শরুক য়ারি। ঈং-তপ্পা পুরক্লবা অমদি অৰাবা ফীভম কয়া অসিদগী কোকহন্নবগীদমক থৌনিজবনি। ঙসি লমদমসিগী তংদু-লৈতাদবা ফীভম অসিদা ইবুধৌদা থৌনিজবনি। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা মীওই কয়াসু থৌরম অসিদা শরুক য়ারি। থৌনি থৌরম অসিদা পুকচেল শেংনা শরুক য়াদুনা লমদমসিগী ঈং-তপ্পা পুরক্লবা থৌনিমিন্নখি। মণিপুরদা হৌজিক ওইরক্লিবা অৰাবা ফীভম কয়া অসিদগী কোক্তুনা তংদু-লৈতাবা পুন্সিরোল অদু পুরক্লবগী থৌনি থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী অখন্নবা মীফম অথুবদা কৌদুনা খন্নফম থোকই : এম পি দি এফ

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস) : ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এমগী পিছ একোর্দনা মণিপুরগী টেরিটোরিয়ল ইন্টিগ্রিটি অমদি তুংদা মণিপুরগী অপূনবা লৈবাক ঙাক্লোন্দা শোক্লক্কদবা কয়া প্রোটেক্সন পীহন্নবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী মীফম কৌদুনা খন্নফম থোকই হায়না মণিপুর পিপলস দেম্মক্রেটিক ফ্রন্ট (এম পি দি এফ) কী সেক্রেটরি সাপম শামুঙৌনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এম এল এ ৬০ না অপূনবা মীফম অসিদা খন্ন-নৈনবা চুমগনি। মণিপুর অসি অখন্নবা পোলিটিকেল পার্টিগী লমদম নত্তে। নিংথৌ কয়ানা পান্দুনা মালেমদা মনিং তম্না লৈরম্বা লমদম অমনি। সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা পাঙ্গল লৈনা নিংথৌ কয়ানা পানখ্রবা ইরমদমনি। হৌজিক এসেমব্লী মীফম কৌনিংদ্রিবগী মরম করিগীনো। মসি মীয়ামদা খঙহনবীয়ু। মণিপুরগী লুরবা তানফম অসিদা লৈঙাক পায়বা অমদি ওপোজিসন পার্টি হায়না খায়দোক্তুনা লৈবগী মতম নত্তে। এম এল এ ৬০ অমদি মিনিষ্টরশিংনা অমুক্তা খন্থবীয়ু। মণিপুরগী ওইরক্লিবা ফীভম নীংথিনা খন্নফম থোকই।

এন এস সী এন-আই এম অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ৰারোইশিন্দা মণিপুরগী টেরিটোরিয়ল ইন্টিগ্রিটি কায়বা য়াবগী ফীভম অমদি মণিপুর মনুংদা টেরিটোরিয়ল কাউন্সীল শেম্বগী ৰাফম লাকপা য়ারোই। চহী ২০০০ হেনবগী পুৰারী লৈরবা মণিপুরগী এম এল এ ৬০ না থৌদাং লৌফম থোকই। এম এল এ ৬০ অমদি এম পি অহুমগী থৌদাং কাওরোইদবনি। মালেমদা নিংতম্না পাল্লম্বা মণিপুরনা ঙসিগী ওইরিবা শক্তম অসি খনবা চুম্মী। এম এল এশিং, এম পিশিংগী থৌদাংশিং লৌবা তঙাইফদে। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা হৌজিক মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী মীফম কৌনিংদ্রিবগী মরম করিগীনো। রুলিং অমসুং ওপোজিসনগী এম এল এশিংনা তানফম থোকই। মণিপুরগী অপূনবা শক্তমগীদমক লেপকদবা মতম অসিদা মচোই-মচোই তারিবা করিগীনো। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা জম্ম্যু এন্দ কাশ্মিরদগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবা, জম্মু এন্দ কাশ্মির অমসুং লদাখ হায়না য়ুনিয়ন টৌরিটৌরি অনী থোকখিবা থৌদোক নীংশিংবা, কাউদবা ফৈ। এম এল এ ওইবা হায়বসি লৈবাক্কীনি। এম এল এশিংগী থৌদাং য়াম্না চাউই। এম এল এশিংগী থবক, চীফ মিনিষ্টরগী থবক, কেবিনেট মিনিষ্টরশিংগী থবক অসি মণিপুরদা লৈরিবা মীয়ামগী ওইগদবনি।

মণিপুরগী অপূনবা শক্তম ঙাক্লবা অমত্তা ওইনা হোৎনবা তাই। মণিপুরগী অপূনবা শক্তম ঙাকপা ঙমদ্রবা অমদি মণিপুরদা ঈং-তপ্পা পুরকপা ঙমদ্রবদি করিগী এম এল এ ওইনিংলিবগে। চহী লিশিং কয়াগী পুৰারী লৈরক্লবা মণিপুর ইন্দিয়াদা তীল্লবা মতুংদা পার্ট সী ষ্টেট অমা ওইনা লাকখিবনি।

মণিপুরগী এম এল এশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর অমদি লোক সভাগী এম পিশিংদা খঙহনগদবনি। মণিপুরগীদমক থৌনা লৈনা লেপকদবনি। কখোকপগা লোয়ননা লেপ্পা চঙই। মতম মতমগী মীয়ামগী মীহুৎশিংনা পোলিটিকেলগী কাঙলোন খঙদবদগী মণিপুরগী অপূনবা শক্তমগীদমক কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল অমত্তদা চৈঙাক পীদ্রে। মসি এম এল এ ৬০ অমদি এম পিশিংনা খন্থবীয়ু। মণিপুরগী টেরিটোরিয়ল ইর্ন্টিগ্রিটিগীদমক এম এল এ ৬০না অপূনবা মীফম পাঙথোক্তুনা অচেৎপা ফিরেপ লৌবীয়ু। মণিপুর এসেমব্লী কৌদুনা টেরিটোরিয়ল ইর্ন্টিগ্রিটিগীদমক অচেৎপা ৰারেপ লৌদুনা সেন্টরদা খঙহল্লু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# প্রোফেট মহম্মদকী মপোক কুমওনগী রেল্লি চৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচএন এস) : জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট অমদি জিরিঘাটতা প্রোফেট মহম্মদকী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা রেল্লি চৎখ্রে।

প্রোসেসন অদু বাবুপারা জামে-মসজিদ, জিরিবামদগী হৌরকখি। মীওই কয়ানা রেল্লি অদুদা শরুক য়াখি। রেল্লি অদু অহলে সুন্নট ৰাল জম্মট, জিরি ভেল্লি সেন্ট্রেল কম্মিটি অমদি সন্নি ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা ৰা ঙাংলদুনা সন্নি ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন নেসনল কম্মিটিগী ফাইনান্স সেক্রেটরি সলমান খুর্শিদনা হায়খি, প্রোফেট মহম্মদকী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকপগা ঈরোয়ননা রেল্লি অসি শীনবনি। জিরিবাম অমদি জিরিঘাট, কছারদগী মীওই কয়ানা থৌরম অসিদা শরুক য়ারি। মুস্লিম দিভোতী কয়ানা শরুক য়াবা রেল্লি অসিনা জিরিবাম অমদি জিরিঘাটকী মফম কয়াদা চৎখি। প্রোফেট মহম্মদপু নীংশিংখি হায়রি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৰাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১১।১১।২০১৯ ইং, নিংথৌকাবা, হিয়াঙ্গৈগী ১৪ নি পানবা।

**মেষ :** শাওনিংবা, লন ময়েং তাবা, ৰাঙাঙ হৈত্রদি ইকায়বা নংবা য়াবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা ৰাৎপা লৈগনি। অদুবু মরুপ-মপাংগী মতেং ফংবা, নীংবা থুংবসু লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৰা ঙাঙদবনা শাফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**বৃষ :** লন/নচা ননাই চাওখৎপা অমদি অরং-অরাক ফংবদি লৈগনি। লৌশিং ৰাৎপা ফংবা য়াবা শেল-থুম পনবা অমদি লাইবক ফবা ৰাৎপদি লৈগনি-খুৎচাও থাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - হায়জবদি তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**মিথুন :** চিংনবা অমদি কিবা পোকপা খরা লৈরসু নীংবা থুংগনি, লাইবক ফগনি অমদি লৌশিংনা পাংবা ৰাবা থবকসু লাইনা পাংগনি। মীয়ামগদি চান্নদে।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা ৰারৌবা লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**কর্কট :** থবক পাংগনি, মীয়ামগী থৌ পাংবসু কান্নগনি অমদি নীংবা মপা চাগনি। লল্লোন ইতিক্কী লম্‌দা মায় থোইনা পাক্কনি। অদুবু নাপলনা ওইজবা মাঙহনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা লুনা তৌগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** য়েৎনবদা মায়থীবা য়াবা অমদি অশা চাওবনা নথক থোংবনা তাথিবা য়াবা লৈ। অদুবু লন/শেল অমদি মীংচৎ ফংগনি, তুংগী পোরম য়াৎথোকপা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৰাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কন্যা :** লৌশিং থোকপা ৰাৎলি অমদি অফা অপুন্নৈ অমদি মহু চাউবনা থবক্তা মাঙহনবা য়াবা লৈ। অনৌবা মরুপ থাজগনু, শাওগনু নথক থোংবগী ৰা তাও।
লৈশা পাখংশিংগী - খাংবা কল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**তুলা :** মায় পাক্কনি, থবক্কী নুংঙাইবা ফংগনি, মীচং হেনগৎকনি অমদি লন ফংগনি। অদুবু কোক শাবা অমদি লোয়নৈ অদুনা হেতোংনা চৎকনু মীৰা থাজগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক :** লাইবক ফগনি, ৰনোম-থৌনোম কান্নগনি, অনৌবা থৌরম পাংবা য়াগনি। অদুবু অশাওবা অমদি অনম কনবনা কাইনবা নংগনি, ফিংগনু, তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**ধনু :** নুংঙাইবা, মীংচৎ অমদি শেল ফংবা নুমিৎনি। অদুবু থাজদনা মরুপ-মপাংনা য়েংথি অমদি হকচাং ইনুং নুংঙাইতবা লৈগনি। থিবা হুম্বা কল্লু- খাংবা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - খরা ৰাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মকর :** থাজদবা মরম খরদগী কান্নবা য়াম্না ফংগনি, অনীংবা অফবা থবক পাংগনি, মীয়াম লোয়নবগী নুংঙাইবা ফংগনি। য়েৎনবনা মাঙজবা, লৌশিং ৰাৎপা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মী থাজগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কুম্বা :** মরুপকী মতেংনা থবক পাংগনি অমদি ৰানোম থৌনোমসু মায় পাক্কনি। ইমুং-মনুংদি ঈংদে অমদি লৈঙাক্কী থৌদা মায় পাকপা ৰাগনি-নোল্লুক্লা চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মিন :** ঙাওবা শকপা হৈগনি অমদি নিংথিনা তুংগী পোরম য়াৎথোকপা ফগনি। অরং-অরাক লৌশিনবা ফৈ। নথক থোংবনা নরল মাঙহনবা য়াবা লৈ-ফিংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - ইকায়খুম্নবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# নিলাকান্তা মেমোরিয়ল লেকচর

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস) : মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালনা শীন্দুনা ঙসি জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীদা প্রোফেসর এলাংবম নিলাকান্তা মেমোরিয়ল লেকচর পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট কাংজম ইবোহলনা থৌরম মপু ওইখি। প্রোফেসর নিলাকান্তগী মীৎয়েং অমসুং ৰাখল হায়বা অসিদা শক্লাইরবা রাজকুমার সিংহজিৎ পদ্মশ্রীনা ৰা ঙাংখি। মণিপুর সাহিত্য পরিষদনা খুদোল পীদুনা রাজকুমার সিংহজিৎপু তরাম্না ওকপা অমদি ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

কাংজম ইবোহলনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা হৌখিবা চহী ৮৪ রোম অসিদা সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতি চাউখৎনবা হোৎনদুনা লাক্লি। চহী খুদিংগী তোঙান তোঙানবা লমদা মেমোরিয়ল লেকচর পাঙথোক্লি। কবি চাওবা, ডা. কমল, হৱাইবম নবদিপ, রাজকুমার সনাহলনচিংবগী মেমোরিয়ল লেকচর পাঙথোকখ্রে। প্রোফেসর এলাংবম নিলাকান্তা সাহিত্য, কলা, সংস্কৃতিদা থৰায় য়াওবা মীওইনি। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরম্মী। শক্লাইরবা পন্দিত সমালোচনা অমসুং কবিনি। মহাক্কী মমল নাইদ্রবা চেফোঙ কয়াসু পুথোক্লম্মী হায়নসু ফোঙদোকখি।




HL-B/5749/17oct-16nov.